# ভেক্সিন ৱাৎপদগী কর্নাটকাদা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী ভেক্সিনেসন মে ১দগী য়ৈথোকখ্রে




বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিৎ মে ১দগী য়ৈথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কে সুধাকরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিনেসন হৌনবগী ভেক্সিন দোজশিং মথৌ তাবা চাং য়ৌনা ফংলবা মতমদা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পবগী অনৌবা তারিখশিং লাউথোক্কনি।

হান্না লেপখিবা মে ১দগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌরোইদবা ওইবনা মীয়াম্না হোস্পিটাল অমত্তগী মমাঙদা পুন্দনবা ঐহাক্না মীয়ামদা আপীল তৌরি হায়না সুধাকরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়, চহী ১৮ মথক্কী মীওইপুন্নমক ভেক্সিন শোয়দনা কাপথোকপা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অচেৎপা ফিরেপ্নি। কোভিসিল্ড শাবগী লাইসেন্স পায়বা পুনেদা বেজ তৌবা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই)দগী ভেক্সিন দোজ ক্রোর অমা লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০০ রিলীজ তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন য়ৌরক্তবদা নুংনাংবা উৎলদুনা সুধাকরনা হায়, কর্নাটকানা মতম চানা ওর্দর তৌখ্রবসু মথৌ তাবা চাংদা ভেক্সিন সপ্লাই তৌবা ঙমদবা অসিনা হান্না লেপখিবা মতম মে ১দা ইনোক্যুলেসন দ্রাইভ হৌররোই।

মহাক্না ইনোক্যুলেসনগীদমক কোৱিন পোর্টেলদা ইনরোল তৌখ্রবা মীওইশিংনা মে ১ দা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা চত্তনবা আপীল তৌখি।

ভেক্সিন য়ৌরকপগী মতাংদা এস আই আইনা কনফর্ম তৌরকপগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টনা ইলিজিবল মীওইশিংদা খঙহনগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সুধাকরগী মতুং ইন্না, এস আই আইনা থা অমদা দোজ ক্রোর ৫ দগী ৬ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী অমসুং কোভেক্সিন পুথোক্লিবা হাইদ্রবাদতা বেজ তৌবা ভারত বাইওটেকনা দোজ ক্রোর ১দগী ১.৫ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী।

রসিয়াগী স্পুটনিক ভেক্সিন শাবগী অয়াবা ডা. রেদ্দিস লেবোরেটরিদা অয়াবা পীখ্রবসু মখোয়না করম্বা মতমদা সপ্লাই তৌগদগে হায়বদু গভর্ণমেন্টতা ওফিসল ওইনা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

কর্নাটকা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা রিলীজ তৌবা ওফিসল দেটাগী মতুং ইন্না হেল্থ ৱর্করশিং অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিং য়াওনা ষ্টেট অসিগী বিনিফিসরি ৯৩,৬৩,১২৪ শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা ভেক্সিন কাপখ্রে।

কর্নাটকাদা নত্তনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদসু মে ১দগী চহী ১৮-৪৫ গ্রুপকী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌখিরোই হায়না জে এন্দ কে গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে। হান্না থাংজ নুমিত্তগী হৌনবা লেপখ্রবা চহী লেঙ্গা গ্রুপ অসিগী কোভিদ ভেক্সিনেসনগী মতম য়ৈথোক্লদুনা জে এন্দ কে গভর্ণমেন্টনা হায়, দ্রাইভ অদু ভেক্সিন য়ৌরল্লবা মতমদা হৌগনি।

# রেমদেসিভির, ফাবিফ্লু ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বা ৪ ফারে



মোরাদবাদ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লায়েংবদা তোয়না শীজিন্নবা রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন অমসুং ফাবিফ্লু টেব্লেটশিং নারোন্দা য়োনবগী থবক চথরম্বা গেং অমা মোরাদবাদ পুলিসনা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মরু ওইবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অহুমদা থবক তৌবা মীওই মরি ফাগৎখ্রে। মখা তানা গেং অদুগী অতোপ্পা মেম্বর অমা ফানবা হোৎনরি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্ট অমনা মোরাদবাদ এস এস পিদা কমপ্লেন্ট অমা রেজিষ্টর তৌরকপদগী পুলিসনা রেইদ কয়া চথখি অমসুং মীওই মরি অদু ফাখি।

ফারবা এক্যুজ মরি অদুদি পিয়ুশ কুমার (২২), কামরান (২৪), সদ্দাম (২৬) অমসুং জীবন (২৫) নি। রিঙ্কি থাকুর (২৮) কৌবা গেং মেম্বর অমদি লোৎখ্রে।

মোরাদবাদকী এস এস পি প্রভাকর চৌধুরিনা হায়, কমপ্লেন্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা স্মোল ওপরেসন্স গ্রুপ (এস ও জি) অমসুং মজহোলা পুলিসনা ব্লেক-মার্কেটিং রেকেট অদুগী মায়োক্তা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথখি অমসুং সিটি অসিগী মমিং লৈরবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা রেইদ তৌখি।

রেইদশিং অদুদা এক্যুজশিং অসি ফাবগা লোয়ননা অহাংবা রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন ভায়ল অনী অমসুং ফুল ভায়ল অনী, সিরিঞ্জ অমা, ফাবিফ্লু টেব্লেট ১২ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৬২,০০০ মখোয়দগী রিকোভর তৌখি।

ৱাহং-পাউহং চথবদা মীওই মরি অদুনা কোভিদ পেসেন্ট লায়েংবদা শীজিন্নবা রেমদেসিভির অমসুং অতৈ হীদাকশিং হোস্পিটাল সপ্লাইজদগী হুরাল্লগা হীদাকশিং অদু মখোয়না মমল ৱাংনা য়োল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

মখোয়না রেমদেসিভির ভায়ল অমমমদা লুপা ২০,০০০দগী লুপা ২৫,০০০ ফাওবা য়োনখি। আই পি সিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এক্যুজশিং অদুগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না মজহোলা পুলিস ষ্টেসনগী এস ঐচ ও মুকেশ শুক্লানা ফোঙদোরকখি।

# য়ু পিদা অয়ুশ দোক্টরশিং কোভিদ থেংনবদা য়াওরগনি

লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা য়াওশিন্নবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা অয়ুশ প্রক্তিস্নর খূদিংমক্তা আপীল তৌখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা অয়ুশ প্রক্তিস্নরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ভার্চ্যুএল ইন্টরেক্সন অমদা য়োগি অদিত্যানাথনা হায়খি, অয়ুশ প্রক্তিস্নরশিংনসু কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংগদবনি।

লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ কমান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টরগা কোওর্দিনেট তৌদুনা এৱ্যেরনেস পীবগা লোয়ননা ট্রিটমেন্ট ওফর তৌনবা অয়ুশ দোক্টরশিংদা খঙহনখি।

উত্তর প্রদেশতা হৌজিক মীওই লাখ ২.৫২ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি। অয়ুর্বেদা হোমিওপেথি অমসুং য়ুনানিনচিংবগী দোক্টরশিংসু তান্নগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ত খূদিংমক্তা, অয়ুশ, হোমিওপেথি অমসুং য়ুনানিগী দোক্টরশিং য়াওবা টিম অমমম শেম্লগনি অমসুং টিম অসিনা মীয়ামগী হকশেলগী মরমদা এদভাইস পীগনি। মখোয় টেলি-কন্সল্টেসন সর্ভিসেসসু লিঙ্ক তৌগনি।

সর্ভিসশিং অসিগী মনুং চন্না মখোয়না মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা অচম্বা লায়েং চথনবা হায়গনি। য়োগি অদিত্যানাথনা হায়, হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়ামদা অয়ুশকী কান্নবশিং খঙহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী হেল্থ সিষ্টেমশিং শেল চঙদবদা নত্তনা কান্নবসু হেল্লি। অসিগুম্লবা মমাঙগী হেল্থ সিষ্টেমশিংগী কান্নবশিং অসি হোম আইসোলেসন তৌরিবশিংবু য়েংশিন্নবা শেম্বা মোনিটরিং কম্মিটিশিংগী খূথাংদা মী অয়াম্বদা য়ৌহনগদবনি।

লায়না-তিলনা চেন্দনা লৈহনবদা য়োগনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদসু মহাক্না পনখি অমসুং অয়ুশ দোক্টরশিংনা মীয়ামদা ইম্ম্যুনিটি করম্না হেনগৎহনগদগে হায়বদু খঙহনগদবনি হায়খি।

# সুপ্রিম কোর্টনা কোভিদ মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা সো মোটু কেস হীয়ারিং চথরগনি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী কোভিদ মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা সু মোটু কেস সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা মখা তাবা হিয়ারিং চথরগনি।

কেস অদুগী হিয়ারিং ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা জষ্টিসশিং দি ৱাই চন্দ্রচুদ, নাগেশ্বর রাও অমসুং এস রবিন্দ্র ভাটকী দিভিজন বেঞ্চনা চথগনি।

এপ্রিল ২৭তা পাঙথোকখিবা মমাঙগী হিয়ারিংদা বেঞ্চ অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা মখোয়গী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী রিপোর্ট থাগৎলক্লবা খঙহনখিবনি। হায় কোর্টশিংনা কোভিদকা মরী লৈননা ওর্দর পাস তৌবদা অথিংবা পীদনবসু এপেক্স কোর্ট অসিনা ৱারেপ লৌখি।

সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা মখোয়গী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং শগোলশেন নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌনবা খঙহনবগা লোয়ননা হায় কোর্টশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংগী মরমদা হেন্না মুন্না খঙই হায়রদুনা কোভিদকা মরী লৈননা ৱায়েল পীবদা অথিংবা পীনিংঙাই ওইদে হায়খি।

এন্টি-কোভিদ ভেক্সিনশিং অমসুং অতৈ মরু ওইবা আইটেমশিং মমল লেপ্পগী গাওন্দ এক্সপ্লেন তৌরক্লবা বেঞ্চ অসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি।

টোপ কোর্ট অসিনা মখোয়গী রেস্পোন্সশিং হিয়ারিং তৌনবা লেপখিবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টকী মথৌদি হায় কোর্টশিংদা মতেং পাংবনি হায়খি।

কোভিদকী ক্রাইসিস অসি দীল তৌনবগী লৈবাক্কী ওইবা থৌরাং করিনো অমসুং ভেক্সিন কাপ্পা অসিনা মসি থেংনবগী মরু ওইবা ওপসল্লা হায়না হংবদা সোলিসিটর জেনরেল তুশর মেহতানা হায়খি, ৱাফম অসি এগজিক্যুটিভকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা য়েংশিল্লি অমদি ষ্টেটশিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা ইস্যু অসি দীল তৌরি।

# কোভিদকী ২শুবা ৱেভ থেংননবগী প্লান য়াওদনা থা ১৪ হৌহনখিবগী মরম মদ্রাজ হায় কোর্টনা সেন্টরদা হংখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্কনি অমসুং মদুগীদমক শেম শাবা মথৌ তাই হায়বা খন্দবমখে সেন্টরনা থা ১২দগী ১৪ ফাওবা অরেম্বদা হৌহনখিবগী মরম করিনো হায়না শগোলশেন নুমিত্তা মদ্রাজ হায় কোর্টকী চিফ জষ্টিস সঞ্জিব বেনর্জিনা হংখ্রে।

টামিল নাদু অমসুং পুদুচেরিগী হোস্পিটালশিংদা বেদ, হিদাক-লাংথক, ভেক্সিন, ওক্সিজেন অমসুং ভেন্টিলেটরশিং ফংবা-ফংদবগী ফিভম মোনিটর তৌনবা কোর্ট অসিনা লৌখৎখিবা সু মোটু পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন পিটিসন অমগী হিয়ারিংদা মদ্রাজ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস অসিনা মহাক্কী ওবজর্ভেসন পীখিবনি।

কোভিদ ক্রাইসিস থেংননবা টামিল নাদু ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুদুচেরিবু করম্না মতেং পাংলিবগে হায়বগী মতাংদা পাউখুম পীরক্লবা কোর্ট অমনা সেন্টরদা হায়খ্রবনি।

অনীশুবা কোভিদ ৱেভ কনশিল্লক্লবা মতম অসিদা অরোইবা খোঙ্গাওগী মওংদা লৌখৎলক্লবা থৌরাং কয়াগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, পেন্দমিক অমা থেংনবা মতমদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থৌরাংনা য়ারোই। এক্সপর্টশিংগী পাউতাক লৌরবা মতুংদা সেন্টরনা ৱাখল তানা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না চীফ জষ্টিসনা মখা তানা ওবজর্ভ তৌখি।

সেন্টরগী রিপোর্ট থম্লদুনা এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) আর সঙ্করানরায়ননননা হায়খি, রেমদেসিভির শারিবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুএল ষ্টেটশিংগী নোদেল ওফিসরশিংগী মরক্তা সেন্টরনা কোওর্দিনেট তৌই। মসিনা হীদাক অসি মথৌ তাবা ষ্টেটশিংদা অতৎ-অখম লৈতনা সপ্লাই তৌবা ঙমহনগনি।

অদুম ওইনমক জষ্টিস সেন্থিকুমার রামামুর্থি য়াওবা ফর্ষ্ট দিভিজন বেঞ্চ প্রিসাইদ তৌরিবা চীফ জষ্টিসনা মরক থৎলদুনা হায়, কোর্টকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা হংদবা য়ারোই। মখোয়না উৎলিবশিংদি ফিভম ফবা পোৎশিংদনি। তৌইগুম্বসুং করিগীদমক্তা ঐখোয় ফিভম অসি মায়োক্নরক্লিবনো? হৌখিবা থা ১২দগী ১৪গী মতম অসিদা করি তৌখিবগে। করিগী জুনদা ফিভম খরা ফহন্নবনি হায়দুনা এপ্রিল লোইরকপদা থবক পায়খৎলক্লিবনো ?

মদুগী পাউখুম ওইনা এ এস জিনা হায়, কোভিদ কেস কা হেন্না ৱাংলক্কনি হায়বসি হান্না খন্নখিদে। করিগুম্বা কেস শোয়দনা ৱাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরম্লবদি মাঙজেনা এক্সন লৌখৎলমগনি।

এ এস জিগী ৱাফম অসিদা ঙক্লদুনা চীফ জষ্টিস বেনর্জিনা হায়, কনামত্তদা অকায়বা পীনবা হংবদি নত্তে, অদুবু গভর্ণমেন্টনা ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা এক্সপর্ট তান্নখিব্রা হায়বসি খঙবা পাম্মী।

# বেনিফিসরি ক্রোর ২.৪৫ হেন্না রেজিষ্টর তৌরে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী কোরোনা ভেক্সিনেসনগীদমক ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পূং ৯.৩০ ফাওবগী মনুংদা কোৱিনদা বেনিফিসরি ক্রোর ২.৪৫ হেন্না রেজিষ্টর তৌরে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, বেনিফিসরি ক্রোর ১৩৭ হেন্না এপ্রিল ২৮দা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং এপ্রিল ২৯দা বেনিফিসরি মে ১দগী হৌগদৌরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা চহী ১৮ মথক্কী মীওই খূদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়াগনি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১৫.২২ হেন্না কাপখ্রে। ভেক্সিনেসন খূদিংমক নেসনল ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মনুং চনগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রবনি।

# মীখলদা মায় পাকপগী প্রোসেসন চৎপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি: ঈ ঈ সী




লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
মে ২দা উত্তর প্রদেশকী পঞ্চায়ত মীখলগী ভোট মশিং থীবদা কোভিদ সেফটিগী কাঙলোন থুগায়বা মীওইশিং কলামিটি মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী মখাদা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন (এস ঈ সী)না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসিগা লোয়ননা কেন্দি-দেটশিং অমসুং মখোয়বু শৌগৎপশিংনা মায় পাকপগী প্রোসেসন চৎপদসু মপূং ফানা অথিংবা থল্লে হায়নসু এস ঈ সীনা লাউথোকখ্রে। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টরেল ওফিসরশিংদা কেন্দিদেটশিংনা কাওন্টিং এজেন্টশিংগী লিষ্ট শোয়দনা পীশিনগদবনি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর মনোজ কুমারনা কোভিদ কন্ট্রোলগা মরী লৈননা দিরেক্টিভ খরা থোকখ্রে। দিরেক্টিভশিং অদুগী মনুংদা কেন্দিদেটশিং নৎত্রগা ভোট মশিং থিবদা য়াওগদবা মখোয়গী মীহুৎশিংনা কাওন্টিং হৌদ্রিঙৈ পূং ৪৮গী মনুংদা পাঙথোকখিবা আর টি-পি সী আর নৎত্রগা রেপিদ এন্টিজেলন টেষ্টকী নেগেটিভ রিপোর্ট পায়বগী ৱাফম য়াওরি। ফেজ মরি থোক্না পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ত মীখলদা দ্যুটি তাহনখিবা ওজা ১৩৫ শিখিবগী মতাংদা এল্লাহবাদ হায় কোর্টনা পোল পেনেল অসিবু চৈখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা ৱাফম অসি লাউথোরকপনি।

কম্মিসন্না হায়রি মদুদি কাওন্টিং মফমদা মী চিনবগী মওং লৈহনদনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না হোৎনগদবনি। মসিদা নত্তনা মাস্ক উপ্তবা অমসুং লাইহৌ, লোক থুংবা অমসুং লোক খুবগুম্বা লাইওংশিং চেনবা মীওইশিংনা কাওন্টিং মফমদা চঙদসু পেনেল অসিনা অথিংবা থমখ্রে।

এম ঈ সি কুমারগী মতুং ইন্না, কাওন্টিং হোলদা চঙহল্লিঙৈদা মীওই খূদিংমক থর্মেল স্কেন্নিং অমসুং সেনিটাইজেসন তৌগনি। মেদিকেল ইমর্জেন্সিশিং দীল তৌনবা কাওন্টিং সেন্টর খূদিংমক্তা মেদিকেল হেল্প দেস্ক থমগনি।

# হান্নগী এটোর্নি জেনরেল সোলি সোরাবজি কোভিদ-১৯ নাবদা লৈখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী লোগী মরমদা খ্বাইদগী খঙ-হৈরবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্নবা হান্নগী এটোর্নি জেনরেল সোলি সোরাবজি কোভিদ-১৯ ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৯১ শুখ্রে।

সিনিয়র উকিল অমা ওইখিবা সোরাবজিবু লায়রবা অমসুং হীরম কয়াদা শোখরবা মীওই কয়াবু মতেং পাংখিবা লিগেল ফিল্দদা মহাক্না পীরিবা কন্ত্রিব্যুসন শকখঙদুনা লেমজ নিংঙাই ওইরবা পদ্মা ভিবুশন পীদুনা ইকায় খুম্নখি। শক্নাইরবা জুরিষ্ট অসি দেল্লীগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা কোভিদ-১৯গী লায়েং চথুরকখি।

সোলি সোরাবজিনা লৈখিদবদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া এন রামানানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। সী জে আইনা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোলদা হায়, লোগী লম্দা খঙ হৈবগা লোয়ননা মীয়ামক্তা ঈথিল পীবা ঙম্বা অমসুং হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা লৈখিদ্রে। পাউ অসি অৱাবগী মশক্নি। মহাক্কী থৱায় ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু।

সোলি জে সোরাবজিনা এটোর্নি জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী ফম অনীরক পায়দুনা তোমথিল ওইবা মওংদা থবক তৌখি। মহাক্কী লিগেল ৱার্কতা মতম পুম্বদা মীওইবগী মীনুংশি উৎখি। ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটশিং কন্নবা চহী ৭০ রোম চুপ্পা মহাক্না তৌরম্বশিং অমসুং ইরম্বা লাইরিকশিং মালেম্মা খঙনরি।

দিমোক্রেসিবু পাঙ্গল হাপ্পা কাওঙমদবা মীশক অমা ওইনা মীয়াম্না মহাকপু নীংশিংনগনি হায়না সী জে আইনা ফোঙদোকখি।

সোলি সোরাবজি কুমজা ১৯৩০দা মুম্বাইদা পোকখি। মহাক কুমজা ১৯৫৩দা বোম্বে হায় কোর্টতা প্রাক্টিস তৌবা হৌখি। সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ১৯৭১দা মহাকপু সিনিয়র কাওন্সেলগী দেজিগনেসন পীখি।

সোরাবজি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৮৯দা লৈবাক অসিগী এটোর্নি ওইখি। মতুংদা অমুক কুমজা ১৯৯৮দগী ২০০৪ ফাওবা ফম অসি পায়খি। মহাক কুমজা ১৯৯৭তা নাইজেরিয়াগী য়ু এন স্পেসল রাপোর্টর হাপখি। মহাক কুমজা ১৯৯৮দগী ২০০৪ ফাওবা য়ু এন সব-কম্মিসন ওফ প্রমোসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী চ্যেরমেন ওইখি। সোরাবজি য়ু এন সব-কম্মিসন ওন দি প্রিভেন্সন ওফ দিসক্রিমিনেসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ মাইনোরিটিজগী মশক নাইবা মেম্বর অমসু ওইখি।

সোলি সোরাবজিগী লোয়নবী, মচানুপা অনী অমসুং মচানুপী অমা লৈহৌরি। সোরাবজি অমসুং মহাক্কী লোয়নবী পূন্না কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখি। মহাক্কী লোয়নবী লায়না অসিদগী ফখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মশাদা হান্নদগী লায়না খরা চেনবদগী মখা তানা লায়েংবা ঙমদনা শিখি।

# কোভিদ কমপ্লিকেসন্দগী বিহারগী চীফ সেক্রেটরি অরুন কুমার সিংহ লৈখিদ্রে



পটনা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
বিহারগী চীফ সেক্রেটরি অরুন কুমার সিংহ ইরাই নুমিত্তা কোভিদ কমপ্লিকেসন্না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) ওফিসর অসি ষ্টেট কেপিটেল পুনেদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়েংখি। মহাক্না লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, অরুন কুমার সিংহ ইফিসেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটর অমনি অমসুং মহাক লৈখিদবা অসি এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিসতা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। ওফিসর অসি ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎপা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি।

কুমজা ১৯৮৫ বেটচকী ওফিসর অমা ওইরিবা সিংহ বিহারদা জনতা দল য়ুনাইটেদনা বি জে পিগা পুল্লগা গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা বিহারগী চীফ সেক্রেটরি হাপখি। মহাক সিনিয়র আই এ এস ওফিসর দীপক কুমারগী মহুৎ শিন্দুনা ফম অদু পায়খিবনি।

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা অনীশুবা ৱেভ লৈরিঙৈসিদা হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা মীওই ৩,৪৯৮ শিখি। মসি হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা নোংমদা শিবা খ্বাইদগী য়াম্বা মশিংনি। লৈবাক অসিদা অনৌবা কেস ৩,৮৬,৪৪সু থেংনখি।

লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা ওক্সিজেন অমসুং মেদিকেল ক্যের ৱাৎপদগী মীওই কয়া শিবগী পাউ লেপ্তুনা তারি। বিহারদা হৌজিক এক্টিভ কোরোনাভাইরস কেস ১০০,৮২২ লৈ। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিং পূন্না ২,৪৮০ শুরে।

# লোকদাওন মখা তানা শাংদোক্লবা তকশিনখ্রে

পানাজি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
গোৱাদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী ফিভম লাকশিনবা ঙম্লবা ষ্টেট অসিদা হৌজিক চথরিবা নুমিৎ মরিনিগী লোকদাওন অহেনবা নুমিৎ ১৫নি হাপচিন্দুনা শাংদোকহন্নবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)গী গোৱা চেপ্টরনা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টতা তকশিনখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা আই এম এ-গোৱা প্রসিদেন্ট ডা. বিনায়াক বুভজিনা হায়, লোকদাওনগী মতম খরা শাংদোকহনবা অসিনা প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট সেক্টর অনীমক্কী ওইনা ষ্টেট অসিগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ৱার্কলোদ হন্থহনগনি। কোরোনাভাইরস কেসশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমগনি হায়নসু ঐখোয়না থাজে।

মমাঙগী পেন্দেমিক ৱেভতা লোকদাওন খরা শেংনা থম্বদগী ইনফেক্সন লাকশিনবা ঙমখি। অদুনা অনীশুবা ৱেভ অসিদসু মান্নবা মওংদা মে তাং ৩ দগী য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫ নিদং লোকদাওন মখা তানা শাংদোক্লিবদি ইনফেক্সন চেইন থুগায়বদা মতেং ওইগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা পনখি।

গোৱাদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ২০,৮৯৮ লৈ। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিংদগী মীওই ১,১৪৬ শিখ্রে। ষ্টেট অসিগী পোজিটিভ ওইবগী চাং শগোলশেন নুমিত্তা চাদা ৫১ হেনখি।

# কোভিদ ভেক্সিনেসনগীদমক পুনেদা ভি ও দব্লিয়ু মোবাইল য়ুনিটশিং দিপ্লোয় তৌরি




পুনে, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী কোভিদ কেস মশিং য়াম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমদা চথরিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা মতেং পাংনবগীদমক্তা পুনে ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (পি এম সী)না প্রাইভেট ওপরেটর ভেক্সিন ওন হ্বিলস (ভি ও দব্লিয়ু)গী য়ুনিট কয়া দিপ্লোই তৌখ্রে।

থবক থৌরাং অদু হৌনবগীদমক্তা পুনেদা পি সী এম সী এদিসনল ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর রুবাল অগ্রৱাল অমসুং ভি ও দব্লিয়ুগী ফাওন্দর অমসুং সী ঈ ও জিগনেস পাতেলনা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখি।

কোভিদ পেন্দমিক অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা শোকহন্দুনা লৈরবনি। লাইবক থিবদি ঐখোয়না শাথিরবা অনীশুবা ৱেভ অমা মায়োক্নরি। লায়না অসি থেংনবগী হৌজিক লৈরিবা খ্বাইদগী ফরবা পান্বেদি মীপূম খূদিংমক য়ারিবমখে থুনা ভেক্সিন কাপথোকহৌবা অসিনি। অনৌবা ইনিসেটিভ অসিগা লোয়ননা দি এম সী অমসুং মহারাষ্ট্রগী ইম্ম্যুনাইজেসন থুজিনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না অগ্রৱালনা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অদুগী অকূপ্পশিং পল্লদুনা পাটেলনা হায়, ভি ও দব্লিয়ু ভানগা লোয়ননা দোক্টর অমা, নর্স অনী অমসুং অতৈ হেল্থক্যের সপোর্ট ষ্টাফর ৪-৫ অমদি এম্বুলেন্স অমা পীগনি। ঐখোয়গী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা চথুগদৌরিবা দ্রাইভ অদু গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা মোনিটর তৌগনি।